# লোকপালগী মতংন্দা সেন্টরদা নুমিৎ ১০ নি মতম পীখ্রে, আর টি আই গী মতংন্দসু সেন্টর, ষ্টেটশিংদা তকখৎখ্রে



*ন্যু দিল্লি, জুলাই ২ ঃ*
লৈবাক অসিগী এন্টি-করপসন ওম্বদসমেন লোকপাল হাপ্পবগী মতাংদা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং অদু নুমিৎ ১০ নি গী মনুংদা খঙহল্লক্কবা সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি সেন্টরদা খঙহনখ্রে। মসিদা নত্তনা এপেক্স কোর্ট অসিনা সেন্টর অমসুং ষ্টেটশিংদসু আর টি আই গী হাঙদুনা লৈরিবা ফমশিং মেনশিনবদা মতম থেংথদুনা লৈবগী মতাংদা তকখৎখ্রে।

লোকপাল হাপ্পবগীদমক লৌখৎনবা য়ারিবা খোঙথাংশিং অদুগী মরীক চুম্বা ৱারোল পীদুনা নুমিৎ ১০ নি গী মনুংদা এফিদেভিট অমা থাগৎলক্কবা সেন্টর গভর্ণমেন্টদা ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা দিরেক্টিভ পীখ্রে।

সেন্টরগীদমক সুপ্রিম কোর্টতা মহুৎ শিল্লিবা এট্রোর্নি জেনরেল কে কে ভেনুগোপালনা জষ্টিস জঞ্জন গোগোই অমসুং জষ্টিস আর বানুমতিনা শাবা বেঞ্চ অদুদা গভর্ণমেন্টতগী লোকপাল হাপ্পবগী হীরম অসিগী মতাংদা মহাক্না ফংখিবা অইবা ইন্সট্রক্সনশিং অদু থমখি। বেঞ্চ অসিদা হীরম অসি জুলাই ১৭ তা হিয়ারিং চত্থনবগীদমক মতম লেপখ্রে।

হৌখিবা চহীগী এপ্রিল ২৭ তা সুপ্রিম কোর্টনা রাই পীখ্রবা ফাওবা ওম্বদসমেন অদু হাপ্তবগী ৱাথোক অসি পুখৎলকখিবা এন জি ও কম্মন কোজনা থাঙ্গৎলকখিবা কন্টেম্প পেটিসন অমা কোর্ট অসিনা হিয়ারিং তৌখি।

হৌখিবা চহীগী রাই অদুদা সুপ্রিম কোর্টনা লোক সভাদা ওপোজিসন লীদরগী ইশু অদু য়াওনা তৌনবা পুখৎলিবা এমেন্দমেন্টশিং অদু পার্লিয়ামেন্টনা অয়াবা পীদ্রিবা ফাওবা লোকপাল এক্ট চৎনহন্দনা থম্বা হায়বসিদা করিগুম্বা অচুম্বা অমত্তা লৈতে হায়খিবনি।

সেনিয়ার এদভোকেট মুকুল রোহাতাগীবু এন্টি-করপসন ওম্বদসমেন, লোকপাল হাপ্পগী সেলেক্সন কম্মিটিদা ইমিনেন্ট জ্যুরিষ্ট অমা ওইনা হাপখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অসিনা মে ১৫ দা সেন্টরনা খঙহনখি।

অমরোমদা রাইট টু ইনফোর্মেসন (আর টি আই) লোগী মখাদা মীয়ামদগী থাঙ্গৎলকপা ৱাকৎশিং য়েংশিনগদবা মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং হাপ্পদা মতম থেংথদুনা লৈবগী মতাংদা ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা সেন্টর অমসুং ষ্টেট নিপানবু তকখৎখ্রে। মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংগী ফম হাংদুনা লৈবনা মরম ওইরগা আর টি আই গী পাউখুম পীবদা য়াম্না চাওনা অপনবা অমা থোকহল্লে।

আর টি আই গী ৱাকৎ ময়াম অমা পন্দুনা লৈরবা ফাওবদা ফমশিং অদু করি মরমগী হৌজিক ফাওবা হাপ্তনা লৈরিবনো হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ষ্টেটশিং অমসুং সেন্টরদা হংবগা লোয়ননা মখোয়দগী পাউখুম পীরক্কদবনি হায়না দিমান্দ তৌখি।

সেন্টর অমসুং ষ্টেটশিং- মহারাষ্ট্র, গুজরাত, অন্ধ্র প্রদেশ, বেঙ্গল, কেরলা, কর্নাতকা, উরিষ্যা অমসুং তেলঙ্গনাদা হাংলিবা ফমশিং অদু য়েংশিন্নবা হোৎনবগী মহুৎতা নাথৈদুনা লৈথোকপনা মরম ওইরদুনা ইতিহাসিক ওইরবা ট্রান্সপরেন্সি লো অসিবু ফাগী তাহন্নবা হোৎনরে হায়না কেস অসিদা পেটিসন অদুনা মরাল শীখি।

সেন্ট্রেল ইনফোর্মসন কম্মিসন্দা হৌজিক আপিল অমসুং কমপ্লেন ২৩,৫০০ হেন্না পন্দুনা লৈরি হায়না পেটিসন অদুনা হায়খি।

অন্ধ্র প্রদেশকী ইনফোর্মেসন কম্মিসনদা শুপ্নগী কম্মিসন অমা ফাওবা হাপ্তনা লৈবগা লোয়ননা মপূং ফানা থবক অমত্তা তৌদবা ওইনা লৈরি। মহারাষ্ট্র খক্তদা আপিল ৪০,০০০ রোম পন্দুনা লৈরি। ষ্টেট অসিগী কম্মিসন্দা ফম মরি হাংদুনা লৈরি। কর্নাটকাদগী আপিল অমসুং কমপ্লেন ৩৩,০০০ রোম পন্দুনা লৈরবা ফাওবদা ফম তরুক হাংদুনা লৈরি।

কেরলাদা শুপ্নগী কম্মিস্নার অমা খক্তনা কম্মিসনগী থবক তৌরি অমসুং আপিল অমসুং কমপ্লেন ১৪,০০০ হেন্না পন্দুনা লৈরি। বেঙ্গলদা কম্মিস্নার অনীখক্তনা কম্মিসনগী থবক তৌরি অমসুং চহী ১০ গী মমাঙদা থাঙ্গৎলকখিবা আপিলশিং হৌজিক্তা হিয়ারি তৌরি।

# ‘ন্যুক্লিয়ার থাদোক্নবা নোর্থ কোরিয়ানা হকচিন্না খল্লি’

*ৱাসিংতন, জুলাই ২ ঃ*
পিয়োংয়াংনা মখোয়গী ন্যুক্লিয়ার খূৎলাইগী পুক্কে মপূং ফানা সরেন্দর তৌনবা অনীংবা লৈতে হায়বা পাউশিংবু ককথৎতুনা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা নোর্থ কোরিয়ানা মাগী ন্যুক্লিয়ার খূৎলাইশিং শীদোক্নবা য়াম্না হকচিন্না খল্লি হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটতগী ফংগনি খনবা সেক্যুরিটি গরেন্টিশিংগীদমক মহুৎ ওইনা জুন ১২ দা সিঙ্গাপোরদা ট্রম্পকা ইতিহাসিক ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখিবদা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উন না মপূং ফানা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই থাদোক্নবগী লম্বীদা থবক তৌগনি হায়না ৱাশকখিবনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী নুংতিগী ফোঙবা পাউ-চে *দ ৱাসিংতন পোষ্ট* না ঙরাং ফোঙখিবদা নোর্থ কোরিয়ানা মখোয়গী ন্যুক্লিয়ার খূৎলাইশিং অমসুং অরোনবা প্রদক্সন ফিসিলিটিশিংবু লোৎশিন্দুনা থম্নবগী লম্বী থিরি হায়খি।

পাউ-চে অদুদা ফোঙখ্রিবা পাউ অদুদা পাউখুম পীরদুনা য়ু এস



প্রসিদেন্টনা হায়খি, মখোয় (নোর্থ কোরিয়ান) না মদুগী মতাংদা য়াম্না চেকশিন্না খল্লি হায়না ঐনা খল্লি। মখোয়না মদু তৌবা পামগনি। মহাক্না ঐহাক্না দিল অমা তৌনখ্রে। ঐনা মহাক্না খূৎ শোক্লখ্রে। মহাক্ন মদু য়াখি হায়না ঐনা তশেংনা থাজে।

ইন্টিলিজেন্স ওফিসিয়েলগী ৱাফম পল্লদুনা পাউ-চে অদুনা হায়খি, নোর্থ কোরিয়ানা মখোয়গী ন্যুক্লিয়ার খূৎলাইগী পুক্কে মপূং ফানা সরেন্দর তৌনবগী অনীংবা লৈখি হায়বা ৱারোয়শিন ফংলে।

সি বি এস ন্যুজদা সন্দে তোল্ক অমদা থোক্তুনা ৱা ঙাংবদা প্রসিদেন্ট ট্রম্পকী নেস্নেল সেক্যুরিটি এদভাইজর জোন বোলতোননা ফোঙদোকখিবদা য়ু এস না নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার খূৎলাইশিং দিসমেন্টেল তৌনবা প্রোগ্রাম অমা পুথোক্লে হায়খি।

নোর্থ কোরিয়াগী মাস দিষ্ট্রক্সনগী খূৎলাই পূম্নমক অমসুং বালাষ্টিক মিসাইল প্রোগ্রামশিং চহী অমগী মনুংদা করম্না দিসমেন্টেল তৌগনি হায়বগী অশেংবা অদু ইকুই-কুইদনা সেক্রেটরী ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনা নোর্থ কোরিয়ানশিংগা খন্নরগনি হায়না নেস্নেল সেক্যুরিটি এদভাইজরশিংনা মখা তাখি।

নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়ার ৱারহেদ ৬৫ রোম লৈ হায়না য়ু এস ওফিসিয়েল খরনা থাজে। লৈ হায়না খঙনরবা, পিয়োংয়াংগী অৱাংদা কিলোমিটর ৯৬ লোম লাপ্পদা লৈবা য়ুরেনিয়ম এনরিচমেন্ট ফেসিলিটি অদুগী মথক্তা অহেনবা ওইনা কাংসোন হায়না খঙনবা অরোনবা অন্দরগ্রাউন্দ য়ুরেনিয়ম এনরিচমেন্ট সাইট অমা নোর্থ কোরিয়ানা চল্লাইরক্লি হায়নসু থাজনরি।

# ফিরান চিংখৎপগী থৌরমদা মীওই চা কয়াগী মমাঙদা ফিলিপ্পিন সিটি মেয়র অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে

*তানাৱান, জুলাই ২ ঃ*
মশামক দ্রগকা মরী লৈনৈ হায়নসু হায়নবা অদুবু দ্রগ সস্পেকশিংবু মীয়াম মমাঙদা পেরেদ তৌদুনা খোঙ্গোইনবগীদমক মীয়াম্না খঙনরবা ফিলিপ্পিন্সকী প্রোভিন্সিয়েল সিটি মেয়র অমবু ফিরান চিংখৎপগী থৌরম অমদা মীওই চা কয়াগী মমাঙদা ঙসি নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে।

লৈবাক অসিগী কোনুং মনিলাগী খা থংবা বাতাঙ্গাস প্রোভিন্সকী তানাৱান সিটিদা মীওই অমনা মেয়র এন্টোনিও হলিলিবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি। মতম অদু সিটি হোল অদুগী মপান্দা মহাক অমসুং ইমপ্লোইয়ি ৩০০ লোমগা লোয়ননা মীখলদা নৌনা খনলক্কবা ভিলেজ লীদরশিংগা লোয়ননা জাতিগী ঈশৈ শক্তুনা ফিরাল চিংখৎলিঙৈ মতমনি।

মীহাৎপা নোংমৈ পায়বা মীওই অদু খূৎলৈ থুনা নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে হায়না পুলিস ওফিসিয়েলশিং অমসুং উহৌবা মীওইশিংনা হায়খি। থৌদোক অদুদা মীপুম খুদিংমক থম্মোয় শোকখি অমসুং মেয়র অদুবু মীওই খরনা পুথোকখি অমসুং কার অমদা মাবু পুখি।

মেয়র হালিলিগী বোদিগার্দশিংনসু নোংমৈ কাপ্নখিবা মায়কৈ অদোমদা উ পাম্বীশিং হৌবা চীংলোমদা নোংমৈ কাপশিনখি।

মেয়র হালিলি তম্না কনাগুম্বা মীওই অমত্তা চঙশিল্লকপা উখিদে। শুপ্নগী নোংমৈ কাপ্নগী মখোল অমখক তাখি। মরম অদুনা মসি স্নাইপর সোট অমা ওইরম্বা য়াই হায়না নেস্নেল পুলিস চীফ, দাইরেক্তর জেনরেল ওস্কার অলবয়ালদেনা মনিলাদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অদুদা হায়খি।

নোংমৈ মরু অমনা হালিলিগী কোটকী ফুরিৎখাউদা হাপ্পা সেলফোন অমদা পানখি অদুদগী মহাক্কী থবাক্তা ফাওজিল্লকখি হায়না পুলিসনা হায়খি। পুলিসমেনশিংনা চীং অদুদা হুপচিন্দুনা থি হুম্বগী থবক চত্থখ্রে অদুবু নোংমৈ পায়বা মীওই অদু ফংবা ঙমখিদ্রে হায়রি।

চহী ২ গী মমাঙদা হালিলিনা তানাৱান কৌবা অপীকপা সিটি অসিদা দ্রগ সস্পেক্টশিংবু মীয়াম মমাঙদা পেরেদ তৌনবা ওর্দর তৌখি। অদুম ওইনমক পুলিস ওফিসিয়েলশিংনা হালিলি মশামকসু ইলিগেল দ্রগশিংদা মরী লৈনৈ হায়না লৌই অদুবু মদু মহাক্না কন্না য়াখিদে। মহাকপু দ্রগকা মরী লৈনৈ হায়না শীরিবা মরাল অদু শৌগৎনবা খুদম চাংদমগা লোয়ননা পুলিসনা পুথোক্লক্কপা ঙক্লবদি মহাক ফমদগী রিজাইন তৌগনি অমসুং দ্রগ সস্পেক্ট অমা ওইনা মীয়াম মমাঙদা পেরেদ তৌবদা য়াগনি হায়না মতম অদুদা মহাক্না হায়খি।

মহাক্কী মীহাৎ অসি মহাক্কী এন্টি-দ্রগ কেম্পেনগা মরী লৈনৱা হায়বা অরেপ্পা খঙনবা ইনভেষ্টিগেতরশিংনা হোৎনগনি হায়না নেস্নেল পুলিস চীফনা ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দুতরতেগী মখাদা দ্রগ সস্পেক্টশিং হাৎপগী মশীং হেনগৎলকপগী মতাংদা লৈবাক অসিদা কন্না মীপাইনরকপগী তাঞ্জাদা মেয়র হালিলিগী মহৌশা মতৌগুম নৎতবা অনৌবা কেম্পেন অদুনা মীয়ামগী পূক্নীং চিংশিনখি। প্রসিদেন্ট দুতরতেনা ২০১৬ তা ওফিস পায়রকখিবা মতূংদগী পুলিসকা খূৎ থোক্নবগী থৌদোকশিংদা দ্রগ সস্পেক্ট ৪,২০০ হেন্না হাৎখ্রে। মদুনা হ্যুমেন রাইটস গ্রুপশিং, ৱেষ্টর্ন গভর্ণমেন্টশিং অমসুং য়ু এন রাইটস বোদিশিংবু মিপাইহনখি। হাৎখিবা মীওই ৪,২০০ হেনবগী মনুংদা য়ামদ্রবদা দ্রগকা মরী লৈনবা তাউন মেয়র অনীসু য়াওখি।

# নিরব মোদি ফানবা ইন্টরপোল রেদ কোর্নর নোটিশ থোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ২ ঃ*
বেঙ্ক ফ্রাউদকীদমক ইন্দিয়ানা ফাবা পাল্লিবা নিরব মোদিগী মথক্তা ইন্টরপোলনা ঙসি রেদ কোর্নর নোটিশ অমা থোকখিবগা লোয়ননা হৌজিক মীচেন ওইদুনা লৈরিবা বিলনর অসিবু লৈবাক অমদা হেক্তা তান্নদুনা ফাবা য়ারগনি।



ফাবা পাল্লিবা মীওই অমবু খোঙ্গুল লীদুনা তান্নবা অমসুং ফাবদা মতেং পীনবা অমসুং মদুগা লোয়ননা ইন্দিয়াদা এক্সত্রাদিট তৌনবা লৈবাকশিং অদুদা হায়নবা নোটিশ অদু থোকপনি। ইন্টরপোলগী মতূং ইন্না রেদ কোর্নর নোটিশ হায়রিবা অসি ইন্টর্নেস্নল এরেষ্ট ৱারেন্ট অমগা চপ চানা মান্নরবা অমনি হায়রি।

ইন্দিয়া অমসুং মপান লৈবাক্তা মহাক্কী পোৎ- চৈ লৈবীনবা শক্লাইরবা মীওই কয়া লৈবা অফাওবা জেলর অমা ওইরিবা নিরব মোদিবু ইন্দিয়াদা লুপা ক্রোর ১৩,০০০ গী বেঙ্ক ফ্রাউদ অমগীদমক ফাবা পাল্লিবনি। ইন্দিয়াগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা গভর্ণমেন্ট বেঙ্ক, পঞ্জাব নেস্নেল বেঙ্ক (পি এন বি) গী মনুংদা শাজিন্নবা গেরেন্টিশিং পীদুনা মপান লৈবাক্তা লোনশিং লৌথোক্লম্বগীদমক মহাক অসি এক্যুজ অমা ওইরিবনি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মহাক্কী পাসপোর্ট ককথৎখ্রবা ফাওবদা লৈবাক কয়াদা চৎতুনা লৈ হায়রিবা জেলর অসিবু খোঙ্গুল লীবদা তেংবাংবীনবা য়ুরোপকী লৈবাক কয়াদা ইন্দিয়ানা চে ইদুনা হায়জখ্রবনি।

ফোরেন মিনিষ্ট্রিনসু মপান লৈবাক্তা লৈবা ইন্দিয়াগী মিসন পূম্নমক্তা মফমদুগী গভর্ণমেন্টশিংগা ঈ-পাউ ফাওনবদুনা নিরব মোদিবু চঙবা য়াহন্দনবা অমসুং করিগুম্বা মহাক মফমদুদা লৈবা তারবদি ইন্দিয়াদা পাউ পীরক্কবা মেসেজশিংদু থাখ্রবনি।

পঞ্জাব নেস্নেল বেঙ্ক (পি এন বি) গী লোন ফ্রাউদতা মরু ওইবা এক্যুজশিংগী মরক্তা নিরব মোদি অমসুং মহাক্কী মখুরা মেহুল চোক্সি য়াওরি। মখোয়বু কেস তরুকলোমদা মরাল শীরি। পঞ্জাব নেস্নেল বেঙ্কনা ফ্রাউদ অদু খঙবা ঙম্লক্ত্রিঙৈ নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা জনুৱারীগী অহানবা চয়োলদা মখোয়না ইন্দিয়া থাদোক্তুনা চেনখিবনি।

# আফগানিষ্টান্দা সিখশিং য়াওনা মীওই ২০ হাৎখিবা এটেক অদু পাঙদবনি হায়না ইন্দিয়ানা কন্দেম তৌখ্রে

*কাবুল, জুলাই ২ ঃ*
আফগনিষ্টানগী জালালবাদতা সুইসাইদ বোম্বর অমনা মশামক পোকখাইহন্দুনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ২০ শিখ্রে। পোকখাইবদুদা শিখিবশিং অদুগী অয়াম্বদি পাঙথোক্কদবা কুইদ্রবা লেজিসলেটিভ ইলেক্সনশিংদা অমখক্তা ঙাইরবা সিখ কেন্দিদেট অদু য়াওরি। সিখশিং অমসুং হিন্দুশিংনি।

টেরর গ্রুপ আই এস আই না মখোয়না চত্থখিবা এটেকনি হায়না মশানা ফোঙদোরকখ্রবা এটেক অদু আফগনিষ্টানগী প্রসিদেন্ট আশ্রফ ঘনিনা মিটিংশিং পাঙথোক্লিবা প্রোভিন্সিয়েল গভর্ণরগী কম্পাউন্দ মনাক্তা লৈবা মার্কেট অমদা চত্থরকখিবনি। এটেক অদুবু মীওইবগী মচৎ নত্তবা তমথিবা অমসুং পাঙদবনি হায়না ইন্দিয়ানা কন্দেম তৌখ্রে।

ঙসি নুমিদাংৱাইরম জালালবাদতা চত্থখিবা তমথিরবা অমসুং পাঙদবা টেরোরিষ্ট এটেক অদু ঐখোয়না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। এটেক অদুদা আফগান সিখ কম্যুনিটিগী মীওই ১০ য়াওনা মরাল লৈতবা আফগান ২০ শিখি অমসুং মীওই ২০ হেন্না শোকখি হায়না কাবুলদা লৈবা ইন্দিয়ান এম্বেসিনা ট্যুটরদা ফোঙদোকখি।

লৈখিদ্রবশিং অদুগী ইমুং মনুংশিংদা ঐখোয়না থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোক্লি অমসুং অশোকপা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফগৎলক্নবা লাই খোইরম্লি।

এটেক অসিনা ইন্টর্নেস্নেল টেরোরিজমগী মায়োক্তা অপুনবা গ্লোবেল ফাইটকীদমক মথৌ তাবা লৈ হায়বা তাক্লি হায়না ইন্দিয়ান এম্বেসিনা হায়খি।

ওক্টোবর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা আফগনিষ্টানগী পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সনদা মীরেপ ওইনবগী থৌরাং তৌরিবা সিখ কম্যুনিটিগী মতম শাংনদগী লুচিংবা অমা ওইরক্লবা অবতার সিংহ খালসা এটেক অদুদা শিখি।

পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর অমরিন্দর সিংহনসু এটেক অদু কন্দেম তৌখি। পাকিষ্টানগা ঙমখৈ তাইনবা আফগনিষ্টানগী প্রোভিন্স অদুদা লাকপা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎ অদুগী শরুক ওইনা প্রসিদেন্ট ঘনিনা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিত্তা হোস্পিটাল অমা শঙ্গানবা জালালবাদতা থুংলখিবনি।

# বাংলাদেশি পাইলোট ২ ক্রাসতা শিখ্রে

*ঢাকা, জুলাই ২ ঃ*
বাংলাদেশতা ট্রেনিং মিসন অমদা পাইবদা লৈবাক অসিগী এয়ারফোর্সকী পাইলোটমখোয়গী এয়ারক্রাফ্ট অদু ক্রাস তৌবদা শিখ্রে।

স্কৱাদ্রোন লীদর মহম্মদ সেরাজুল ইস্লাম অমসুং স্কৱাদ্রোন লীদর ইনায়ট কবির পোলাশ মখোয়গী এয়ারক্রাফ্ট কে-৮দব্লিউ অদুনা জেসোর এয়ারপোর্ট মনাক্তা লৈবা বুক ভোরা বাওর হায়বা ৱাতর বোদিদা ক্রাস তৌবদা শিখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী ইন্টর সার্ভিস পব্লিক রিলেসন্স দাইরেক্তোরেটনা *দ দেলি ষ্টার* পাউ-চে দা থারকপা মেসেজ অমদা ফোঙদোরকখি। হকচাংশিং অদু ঈশিংদগী লৌখৎনবা হোৎনরি অমসুং থৌদোক অদু থিজিন্নবা অৱাংবা থাক্কী কম্মিটি অমা শেমখ্রে।

# দিল্লি প্রোজেক্টকীদমক জুলাই ১৯ ফাওবা উ য়ানবা য়ারোই ঃ *গ্রীন কোর্ট*

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ২ ঃ*
দিল্লিদা পায়খৎকদৌরিবা ৱাথোক ওইরবা প্রোজেক্ট অদুগীদমক উ য়ানথৎপগী থবক য়ামদ্রবদা জুলাই ১৯ ফাওবা য়ারোই হায়না ঙসি নেস্নেল গ্রীন কোর্টনা হায়খ্রে।

কম্মর্সিয়েল কমপ্লেক্স অমা শেমগৎপদা নত্তনা গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোইয়িশিংগী য়ুমশিং ওইনবগীদমক ক্রোর ১৭,০০০ রোম য়ানথৎতুনা মাঙহনবগী মথৌ তারিবা হাউসিং প্রোজেক্ট অদু হৌখিবা চয়োলদা দিল্লি হায়কোর্টনা থিংদুনা থমখিবনি।

সাউথ দিল্লিদা শেমগৎকদৌরিবা কোলোনি তরেৎকী রিদিভলপমেন্ট অদুগীদমক মখা তাবা ওর্দর ফংদ্রিবা ফাওবা উ পাম্বীশিং য়ানথৎতনবগী ষ্টেতস অদু ঙাক্তুনা থম্নবা নেস্নেল বিল্ডিংস কন্সট্রক্সন কোর্পোরেসন (এন বি সি সি) অমসুং সেন্ট্রেল পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট (সি পি দব্লিউ দি) দা নেস্নেল গ্রীন ট্রিবুনেল (এন জি টি) না দিরেক্টিভ পীখি।

প্রোজেক্ট অদুনা ইকোলেজিদা শোকহনগদবা অদু খল্লদনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী রেসিদেন্সিয়েল কোলোনি তরেৎকীদমক ইনভাইরোনমেন্টেল ক্লিয়ারেন্স পীথোকখি হায়না ফোঙদোক্লিবা এন জি ও অমনা থাঙ্গৎলকখিবা ৱাকৎ অমা ট্রিবুনেল অসিনা হিয়ারিং তৌখি।

রিদিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট অদুগীদমক য়ানথৎকদৌরিবা উ পাম্বীগী চপ চাবা মশীং অদু গ্রীন পেনেল অদুনা খঙবা পামখি। এক্টিং এন জি টি চিয়ারপার্সন জষ্টিস জৱাদ রহিমনা লুচিংবা বেঞ্চ অদুনা কেস অসি জুলাই ১৯ দা মখা তাবা হিয়ারিং চত্থগনি।

দিল্লি হায়কোর্টনা প্রোজেক্ট অদুগী থবক মথংগী হিয়ারিং জুলাই ৪ ফাওবা থিংখিবগা লোয়ননা উ পাম্বীশিং য়ানথৎপা অদু গ্রীন ট্রিবুনেলনা অয়াবা পীখ্রবরা হায়না হায়কোর্ট অসিনা য়ুমশংকৈশা নুমিত্তা প্রোজেক্ট অদুবু য়েংশিল্লিবা এজেন্সিশিংদা হংখি।

ঐখোয়না প্রোজেক্ট অদু লম্বী পাকথোকহন্নবগী হায়বদি তঙাই ফদবা অমা ওইরিবা অদুগী ওইরবদি খন্নবা য়াই। অদুবু য়ুম শানবগীদমক মখোয়না উ পাম্বী লীশিং কয়া য়ানথৎতুনা মাঙহনবা পাল্লি। মসি দিল্লিনা য়াবা ঙমগদ্রা হায়না জজ অদুনা গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা নেস্নেল বিল্ডিংস কন্সট্রক্সন কোর্পোরেসন (এন বি সি সি) দা হংখি।

সরোজিনি নগর, নেতাজি নগর, নাওরোজি নগর, কস্তুরবা নগর, থিয়াগরাজ নগর, শ্রীনিবসপুরি অমসুং মোহম্মদপুরনা কোনবা মফমশিংদা পায়খৎকদবা রিদিভলপমেন্ট প্লান অদুনা দিল্লিগী মফম পূম্নমক্তা লৈরিবা মীয়াম্না অশাওবা পোকহনখি। মফমশিং অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা প্রোজেক্ট অসিনা মাঙহনখিবা অদুগা চান্নবা মশীং চপ মান্নবা উ চারশিং থারগনি হায়না গভর্ণমেন্টনা পীখিবা থাজবা অদুবু চৈখি।

দিল্লিদা চহী কয়ামরুমদগী লৈরক্লবা মপূং ফানা চাওরবা উপালশিং অদু উ চারাশিংনা মহুৎ শিনবা য়ারোই হায়না ইনভাইরোনমেন্টেলিষ্টশিংনা ৱায়েৎ পীরি। পনবা য়াবদি মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী মীশিং য়াম্না সিটিশিংগী মনুংদা দিল্লিসু অমনি।

প্রোজেক্ট অদুবু পায়খৎফম থোকপা অফবা খোঙথাং অমনি হায়বগীদমক সোসিয়েল মেদিয়াদা য়ানিংদবশিং ফোঙদোক্লকখ্রবা হাউসিং এন্দ অর্বান্দ দিভলপমেন্টকী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট হরদীপ সিংহ পুরিনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা ঐহাক্না মিনিষ্টর অমা ওইরিঙৈ মতম ফাওবদি উ পাম্বী অমত্তা য়ানথৎলোই অমসুং য়ানথৎখিবা উ পাম্বী খুদিংমক্কীদমক ঐখোয়না উ পাম্বী ১০ থাগনি। সাউথ দিল্লিদা কোলোনি তরেৎ রিদিভলপমেন্ট তৌরবা মতূংদা গ্রীন কোভরগী শরুক অহুম হেনগৎহনগনি। নহা এক্টিভিষ্টশিংনা মরাল শীবা য়াম্না থুমল্লে হায়খি।

# আর টি আই এক্টিভিষ্ট হাৎখিবগা মরী লৈননা পুলিসনা জে দি য়ু লীদর ১ দিটেন তৌখ্রে, ভিলেজ বোদি হেদ ১ ফারে

*পাতনা, জুলাই ২ ঃ*
বিহারগী জামুই দিষ্ট্রিক্টতা শকখঙদবা মীহাৎপশিংনা আর টি আই এক্টিভিষ্ট অমা অমসুং মহাক্কী মরুপপু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী নোংমগী মতূংদা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা পুলিসনা ভিলেজ ওর্গনাইজেসন অমগী লীদর ফাগৎখ্রে লোয়ননা অতোপ্পা মীওই অনীসু ৱাহং-পাউহং চত্থনবা দিটেন তৌখ্রে হায়না ঙসি পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

চৈরকসিদা থম্মোয় শোকপা মীহাৎশিং অদুগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তনা বিহার ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা শাওরবা মীওই চা কয়ানা খোল্লাও লাওবগা লোয়ননা লম্বী থিংখি অমসুং টয়ারশিং মৈ থাখি। মীয়ামগী খোঙজং অদুনা মরম ওইদুনা নেস্নেল হায়ৱে ৩৩৩ দা লম্বী চখোক-চৎশিন তৌবদা অকায়বা থোকহনখি।

রাইট টু ইনফোর্মেসন (আর টি আই) এক্টিভিষ্ট অমা ওইরিবা বালমিকি যাদব অমসুং মহাক্কী মরুপ কারু যাদবপু ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা বিচৱে খুলগী মনাক্তা মোতোরসাইকল তোংদুনা লাকপা শকখঙদবা মীওইশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলমখিবনি।

মীহাৎশিং অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা ভিলেজ বোদি অমগী লুচিংবা কৃষ্ণ রবিদাস ফারে অমসুং জে দি য়ু ব্লোক প্রসিদেন্ট সুরেশ মহাতো অমসুং অতোপ্পা মীওই অনী মীহাৎ অসিগী মতাংদা ৱাহং-পাউহং চত্থনবগীদমক দিটেন তৌরে হায়না সব দিভিজনেল পুলিস ওফিসার রাম পুকার সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

মীহাৎশিং অসি য়েংশিনবদা হান্না থৌরাং তৌরবা লৌতুনবা অমগী থবক মাল্লি হায়না মহাক্না হায়খি। দিষ্ট্রিক্ট অসিদা পব্লিক ৱেলফিয়ার স্কিমশিং অমসুং দিভলপমেন্টেল ৱার্কশিংদা শেঙ্গা থুমজা তৌবশিং অমসুং রেকেট কয়ামরুমবু আর টি আই এক্টিভিষ্ট বালমিকি যাদবনা মীয়ামদা খঙননবা ফোঙদোকখিবনি।



সনা-সুদোকু -১২১৫ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 5 | 1 | 8 | 3 | 9 | 6 | 7 | 2 |
| 9 | 2 | 7 | 6 | 5 | 1 | 3 | 8 | 4 |
| 6 | 3 | 8 | 7 | 4 | 2 | 9 | 1 | 5 |
| 8 | 7 | 4 | 2 | 6 | 3 | 1 | 5 | 9 |
| 5 | 1 | 6 | 4 | 9 | 7 | 8 | 2 | 3 |
| 3 | 9 | 2 | 5 | 1 | 8 | 4 | 6 | 7 |
| 1 | 8 | 5 | 9 | 2 | 4 | 7 | 3 | 6 |
| 7 | 6 | 9 | 3 | 8 | 5 | 2 | 4 | 1 |
| 2 | 4 | 3 | 1 | 7 | 6 | 5 | 9 | 8 |


## GAS TODAY

**Yairipok Gas Service**
Booking : 14/06/18
Valid : 09/06/18
Stk : 306
Time : 09.00 to 10.00 a.m

**Imphal LPG Service**
Booking : Upto Date
Stk : 250/19kg 50

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 01/06/18
Valid : 28/05/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**M M Gas**
Booking : 14/06/18
Valid : 08/06/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m
Rate : Rs. 871/-

**Maibia Gas Moirang**
Booking : 29/05/18
Valid : 26/05/18
Sl. No. 5851 to 6480
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m


## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1216**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 4 | 9 | | | | | 3 | |
| | | | 7 | 6 | | 1 | | 2 |
| 2 | | | | | | | | |
| | | | | | 3 | 7 | 2 | 6 |
| | 5 | 1 | 8 | | | | | |
| | 7 | | | | | | | |
| | 2 | | | | | 5 | 1 | |
| | 9 | | 1 | 2 | 6 | | | |
| | | | 4 | 3 | 5 | | | |